# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-05-2026)**

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নোংমৈ ১০ য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা নোংমাইজিং চীংখোঙ এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা ইনসাচ রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ ১১, আই.ই.দি. এক্সপ্লোসিব রোড অমা, পোকখায়হন্নবা মচাক কিলোগ্রাম ১৩ রোম, তোঙান তোঙানবা মখলগী মেগজিন ১৪, দিটোনেটর ৪০, কোরটেক্স এক্সপ্লোসিব মেটরিয়েল ৩৮, পেক (দাইমন এক্সপ্লোশিব) অহুম অমসুং তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু ১৯৫ য়াওরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা অৱা চীং অমসুং মসিগা তায়নবা চীংখোঙগী মফমশিংদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম-এস.এম.জি. করবাইন অমা, দিটোনেটর য়াওবা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা, মেগজিন য়াওবা এম-সিক্সতিন রাইফল অনি, রেদিও  সেট অমা অমসুং তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু ৫০ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফংলে।

হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোংজম খুল মনাক্তা লৈবা চীংখোংদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা টুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, তোঙান তোঙানবা নোংমৈ মরু ১৫, হেলমেট মরি, বি.পি. জেকেট তরেৎ, বি.পি. আইরন প্লেট ৮ অমসুং বাউফেং রেদিও ৱয়ারলেস সেট অমা ফংলে।

পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চীংখৈ চীং মখোঙদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মেগজিন

য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা অমসুং তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু ৫৭ ফংলে।

অমরোমদা, সিনাকৈথেল অমসুং লুংতর চীংশাংদা শারম্বা বঙ্কর তরেৎ ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কোম্বিং ওপরেসন চখৎবদা থেংনবদগী থুগায়দনা মাঙহনখ্রে।

মরক অসিদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোল গেমস ভিলেজ জোন টুদগী কে.সি.পি. (নোংদ্রেন খোম্বা) গী মীওই অমা ফারে। মহাক বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী মখা লৈকাইদগীনি হায়রি। মঙোন্দগী হেন্দ গ্রেনেদ অনি অমসুং নোংমৈ মরু ১৫ ফংলে।

**ৱেদর(এল)ঃ** মনিপুরদা শাবগী চাং তপা তপা হেনগৎলক্লি।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটনা থাদোরকপা পাউদা হায়-নোনে জিলাদা ঙরাংগী ওইনা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৫.৯ য়ৌখি। বিষ্ণুপুর জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৪, ইম্ফাল ইষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট, চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপীদা সেলসিয়স দিগ্রী ৩২ অমদি ককচিংদা সেলসিয়স দিগ্রী ৩১ গী মথক্তা শাখি।

**তামিলঃ** টি.ভি.কেগী মকোক-সি. জোসেপ বিজয়, ঙসি তামিল নাদুগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

শ্রী বিজয়না মহাকপু শৌগৎপা এম.এল.এ. ১২০ গা লোয়ননা ঙরাং চেন্নাইদা লৈবা লোক ভাবনদা চৎতুনা রাজ্যপাল-রাজেন্দ্র আরলেকরগা উন্নদুনা সরকার শেমনবা দাবী তৌখি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা সিট ২৩৪ লৈবা তামিল নাদু বিধান সভা মীখলদা টি.ভি.কেনা সিট ১০৮ ফংদুনা খ্বাইদগী মশিং য়ামা কাবা দল ওইখি। টি.ভি.কেবু

কংগ্রেস, লেফট দলশিং, ভি.সি.কে অমসুং ইন্দিয়ান য়ুনিয়ন মুস্লিম লিগনা শৌগৎতুনা লৈফম থোকপা মেজোরিতিগী মশিং ১১৮ দগী য়ামা হেন্না এম.এল.এ. মশিং লৈরে।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নোংচুপ বেঙ্গোলদা সুবেনদু অধিকারিনা লুচিংবা বি.জে.পিগী সরকার শেম্বা ঙমখিবা অসি মমাংদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা ঐতিহাসিক ওইবা থৌদোক অমনি।

শ্রী অধিকারি অমসুং কেবিনেট মন্ত্রি মঙা ঙরাং ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী মোদিনা হায়-চহি কয়া চুপা হোৎনরকপদগী মীয়ামগী থাজবা হেনগৎলক্ত্না পন্থুং অসি য়ৌরকপা ঙমখিবনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ঙসি করনাতক অমসুং তেলঙ্গানাদা চৎকনি। শ্রী মোদিনা হায়দ্রবাদতা লুপা কোতি লিশিং ৯,৪০০ রোমগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি অমসুং খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

সঙ্গরেদিদা প্রধান মন্ত্রিনা জহিরবাদ ইন্দষ্ট্রিয়েল এরিয়াগী উরেপ উয়ুং তমগনি অমসুং ৱারংগালদা পি.এম. মিত্র পাক শঙ্গাগনি। হায়দ্রবাদ পনাজি ইকোনোমিক কোরিদোরগী গুরেবেলুরদগী মহাবুবানাগর ফাওবগী নেসনেল হায়ৱে ১৬৭ কী লেন্দ মরি ওন্থোকবগী উরেপ উয়ুংসু তমগনি। হায়দ্রবাদকী মালকাপুরদা শেমগৎপা ইন্দিয়ান ওইলগী গ্রীন ফিল্ড টর্মিনেলসু শঙ্গাগনি।

বেঙ্গলুরুদা লৈবা আর্থ ওফ লিভিংগী ৪৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদসু প্রধান মন্ত্রিনা শরুক য়াগনি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা ত্রিনিদেদ এন্দ তোবেগোগী প্রধান মন্ত্রি-কামালা প্রসাদ বিসেসরগা লোয়ননা ঙরাং নেলসন আইলেনদা চৎতুনা য়েংখি।

নেসলসন আইলেন অসি ভারতকী শিন্মীশিংনা ইহান হানবা ফংখিবা লৈবাক অদুগী মফম অমনি। মফম অদুদা অথুবা মতমদা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবসু ডা: জয়শঙ্কর অমসুং লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি-কামালা প্রসাদনা পুন্না য়েংশিনখি। ভারতকী মতেংগা লোয়ননা মফম অদুবু হেরিটেজ সাইট ওইনা নীংথিনা শেমগৎনবা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎকদবনি হায়রি।

**মীসাইলঃ** ভারতনা উরিষ্যাগী ডা: এ.পি.জে. অব্দুল কলাম আইলেন্দদগী মল্টিপল ইন্দিপেন্দেটলি টার্গেটেদ রি-এন্ট্রি ভেহিকল সিষ্টেম য়াওবা এদভান্স অগ া মীসাইল অমগী ফ্লাইট ট্রাইয়েল মায় পাকা পাঙথোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়-মীসাইল অদু তোঙান তোঙানবা পেলোদশিংগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা টার্গেটশিংদা পান্দম থমদুনা চাংয়েং তৌখি।

ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা দি.আর.দি.ও, ভারত লান্মী অমসুং মীসাইল অদু মায় পাকা পুথোকবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা উদ্যোগ অদুবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**কলম্বোঃ** ওপরেসন সিন্ধুরনা চহি অমা মপুং ফারকপগা মরী লৈননা কলম্বোদা লৈবা ভারতকী হাই কম্মিসনদা ঙরাং ইগজিবিসন অমা পাঙথোকখ্রে।

পহলগাম তেরর এট্টেক মতুংদা চথুখিবা ওপরেসন সিন্ধুর অদুদা অমাং অতা থোকহনখিবা টেরোরিষ্টকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ইগজিবিসন অদুদা উৎখি। কলম্বোদা লৈবা স্বামী বিবেকানন্দা কলচরেল সেন্টরদসু মসিগা মান্নবা হগজিবিসন অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ভারতকী হায় কম্মিস্নার-সন্তোস ঝা অমসুং মফম অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংনা শরুক য়াখি।

**অচ্যারিঃ** চাইনাগী সংহাইদা চথুরিবা অচ্যারি ৱাল্ড কপ-২০২৬ ফেজ টুদা

ভারতকী শান্নরোই-সাহিল যাদবনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে।

চহি ২৫ শুরবা মহারাস্ত্রগী আচ্যর অসিনা দেনমার্ককী ভেটরান প্লেয়ার কম কোচ-মারতিন দামসবোবু মায়থিবা পীদুনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌখিবনি। মসিনা টুর্নামেন্ট অসিদা ভারতকী অহানবা মেদল ওইরি। ভারতকী শান্নরোইশিংনা ঙসিসু মখা তানা মেদল ফংলবা য়াই হায়না পান্নরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হোম মিনিস্তর অমদি এম.এল.এশিংগা কাংবু অমনা কামজোং জিলাদা চৎতুনা ঈরাংগী ফিভম য়েংশিনখিবা অমদি ইন্টরনেসনেল নর্স ডে পালন তৌখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

হোম মিনিস্তর-গোবিন্দাসনা লুচিংবা এম.এল.এশিংগী কাংবু অমনা কামজোংগী ওইরিবা ফিভম য়েংশিল্লুরে হায়বা পাউ অমা পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঙমখৈদা লৈবা কামজোংগী খুলশিং মৈ থাখিবদু মিনিস্তর অমসুং এম.এল.এশিংনা য়েংশিনখ্রে। সেক্যুরিতি গেপ লৈবদগী থোকখিবনি হায়বা হোম মিনিস্তর-গোবিন্দাসকী ৱাফমনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

তাংখুল নাগাশিংগী খুল মৈ থাবা অমদি লন-থুম হুরাল্লবা ফাওবা সেক্যুরিতি ফোর্স করি তৌদুনা লৈখিবগে হায়বা এম.এল.এ. লৈশিও কৈশিংগী ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

দা পিপলস ক্রোনিকলদা-ওল মনিপুর খৃষ্টান ওর্গনাইজেসননা উখ্রুল অমদি কামজোং জিলাদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

অমুকোনা তেরর এট্টেক্কী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথখ্রে, সসপেন্সন ওফ

ওপরেসনগী ৱাহন্থোক লৈত্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নর্সকী থৌদাং য়াওদনা হেলথ কেয়র সার্ভিস খুমাং চাউশিনবা ঙমলোই হায়বা ডা: পালিননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

১১ শুবা নেসনেল যোগা ওলিম্পিয়াদ-২০২৬ তা শরুক য়ারনবা মনিপুরদগী মহৈরোই ১৬ খল্লে হায়বা পাউ অমা মনিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

অনিরকশুবা নেসনেল লোক অধালট পাঙথোকখ্রে, লুপা ক্রোর ৩,১৮ দা কেস ২২৯ গী ৱারোইশিন পুরকখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।